ভিক্তর থৌদামনা দিরেক্সন পীবা শরতচান্দ থিয়ামগী শৈরেং ইটানগরদগী এদোপ তৌবা ফিজিকেল দিভাইসিংদা য়ূন্স্ফম ওইবা প্লে ‘দি ফেন্টিং লেম্প’কী প্রেমিয়র সো উৎখিবা

ককচিং মখা লৈকায়গী নরসিং থাকুর মন্দিরদা নোংমাইথেম মনিকচান্দনা ইবা ‘কোন্থ্রেন মান্দপ’ অমসুং ‘হঙ্গৎনা য়েংলুবদা’ হায়না মিংথোনবা লাইরিক ফোঙখিবা

খাগেমপল্লি হুইদ্রোম লৈকায়দা লৈবী লাইশ্রম ওংবী মেমচাগী য়ূমদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ রাউন্দ ৯ কাপশিল্লন্বা অমদি হেন্দ গ্রেনেদ ২ লংশিল্লন্বগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখিবা

হ্বির্ল ওফ চেঞ্জ সগোলবন্দ নেপ্রা মেঞ্জোর লৈকায়না থা ৬কী ওইনা অখন্নবা নুমিৎশিংদা পাঙথোক্কদবা শেংহল্লসি মহৌশা মিংথোনবা ক্লিনলিনেস কেম্পেন অমা থাংমৈবন্দ চৈরাও চীংদা হৌদোকখিবা

YUMLAKTA BOMB NONGMEI KAPSINBIGANU
SENGHALLASI MAHOUSA

ফেন্টিং লেম্প উৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস) : ভিক্তর থৌদামনা দিরেক্সন পীবা প্লে *দি ফেন্টিং লেম্প*কী প্রেমিয়র সো কোন্থা খাবম চীংমৈরোং ইম্ফাল ইষ্টতা লৈবা অখোকা ষ্টুদিওদা মার্চ ২৮দা উৎখ্রে। প্লে অদু ফিজিকেল দিভাইসিং হায়বা থিয়েটর ৱার্কশোপ অমা চীফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টশিংগী তেংবাঙ মখাদা পাঙথোক্লবা মতুংদা পুথোকখিবনি। প্লে অদু শরতচান্দ থিয়ামগী শৈরেং ইটানগর হায়বদুদা য়ূন্স্ফম ওইদুনা শাগৎপনি হায়রি।

ফেষ্টিভেল পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস) : ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবদা ওরিয়েন্টেল মার্সেল আর্ট এন্দ কলচরেল এসোসিএসন (ও এম এ সী এ)না মার্চ ২৭তগী নুমীৎ মঙানি চুপ্পা চথরকপা ফেষ্টিভেল ওফ থাঙ-তা মায় পাক্লা লোইশিনখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি ওক্রম মোংয়াম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। ফেষ্টিভেল অদুদা খা পানা হুয়েন লানলোং শিন্তম শঙলেন লমদিং, ও এম এ সী এ শীংজমৈ, পর্ফোর্মিং ওর্গনাইজেসন ওফ আর্ট এন্দ কলচর কৈরাও, অপুনবা ইনাৎ শিনলোন লূপ লিলোং চজিং, মীতৈ ইনাৎকী হুয়েন লাংলোন শিন্দম শঙলেন অমসুং ও এম এ সী এ ফুবালা ব্রাঞ্চনা শরুক য়াখি।

কে দি এফ অনী ফারে

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস) : ঙসি অয়ুক পুং ২.২০ রোম তাবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা সলাইলেন মপারী (কে দি এফ)কী মেম্বর অনী ইম্ফাল এরিয়াদগী ফারে হায়রি।

পুলিসনা ফারবা মীওই অনী অদুদি সগোলবন্দ তেরা মোইরাং হনুবা মমাঙ লৈরক্তী মোইরাংথেম লনচেনবা মীতৈ (১৮) অপোকপা এম ইবোচৌবা অমদি লমজাও ৱাবগাইদগী লাক্লগা হৌজিক্লা কব্বা নাওরেম লৈকায় লাইরেম্বী মমাঙদা লৈবা ময়েংবম য়াইখোম্বা (১৮)নি। মখোয়দগী নাইন এম এমগী পিষ্টোল ১, নাইন এম এমগী মরূ ৪, টেলিস্কোপ য়াওবা এস বি বি এল গন ১, চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ ১ য়াওনা ফারগা লম্ফেল পি এসতা শীন্নখ্রে হায়রি।

রিলিফ কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা চেঙ লোন্না য়োন্থোক্লন্লে : ক্লবশিং

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস) : রিলিফ কেম্প কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা চেঙ লোন্না য়োন্থোক্লম্বদা নত্তনা মখোয় মশেল য়েন্থোক্লরল্লে হায়না ক্লব তরুক্কী মীহুৎশিংনা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ক্লবশিং অদুদি কে এল এল কে, বি বি এ, ঈ এস এ, পি পি সী, এম ৱাই কে কে এ ঈ অমদি য়ু এফ ও মিদল সাউথ হেদ ক্বার্টর চরোইপুং ময়াং ইম্ফাল হায়রিবশিং অসিনি। চেরোলসিনা মখা তারদুনা, হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৫দা কম্মিটিগী মেম্বরশিং লোইতোংবম কোন্দুম্বা য়ু এফ ও, য়াংলেম লোলিন্দ্রো য়ু এফ ও, খোইরোম জয়েন্ত য়ু এফ ও, থোকচোম দেবান য়ু এফ ও অমসুং এম দয়ানন্দ হায়রিবা মীওই মঙাসিনা চেঙ হুরান্দুনা পুরন্বদগী অরাম্বাই তেঙ্গোল য়ুনিট ৩৯ অমদি বি বি এ, ঈ এস এ ক্লব অমদি এম ৱাই কে কে এ ঈ ময়াং ইম্ফালগী থৌমীশিংনা মখোয়বু ফাখি। মমাঙদসু কয়ারক হন্না চেঙ লোন্না পুরক্নগী মখোয়বু এ টি য়ুনিট-৩৯না ফাবা লৈখ্রবনি হায়রি।

চিন কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন তানবগী মিংদা মীতৈশিংগী য়ূম-কৈ মৈনা তুম্না থাদোকখিবদগী লাঞ্জেন্নরকপশিংগী লৈফম ওইনবা হৌখিবা চহীগী মে ১১দা য়ু এফ ও মিদল সাউথ হেদ ক্বার্টর চরোইপুংদা হাংবা রিলিফ কেম্প অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দি সীনা ২০২৩গী জুন ২২দা শক খঙবগী ওর্দর থোকখি। মতুংদা মীওই খরনা রিলিফ কেম্পকী কম্মিটিবু অকি-অখঙ পীদুনা অনৌবা কম্মিটি শেম্লগা এস দি ও ৱাঙ্গোইগী খূৎথাংদা রিফোর্ম তৌরে হায়দুনা ২০২৩গী নবেম্বর ৮দা দি সী ইম্ফাল ৱেষ্টতা এস দি ও ৱাঙ্গোইগী খূৎথাংদা চে থারম্মী। অদুবু এপ্রুভ তৌদ্রি। অদুবু রিলিফ কেম্প অসি হান্নগী মেম্বরশিং তান্থোক্লগা অনৌবা কম্মিটি অদুনা পায়দুনা লৈরম্মী। কম্মিটি অসিদা ইনমেট ২ য়াওরবসু মখোয়গী ৱা তাবীদে। মখোয়না ইনমেটশিংগী চাকথুংদগী মারুটি ভেন অমা, জিপসি অমা লৈশিনবদগী হেন্দোক্তুনা ইনমেটশিংগী চাননবা চেঙ থেঙ্খাং কয়াদা হুরান্দুনা য়োন্থোকপা অমদি মখোয় মশেল য়েন্থোক্লরম্মী।

ৱাথোক অসিগী মতুংদা কে য়ু সী এম এ ময়াং ইম্ফালনা শীন্দুনা ক্লব ময়াম খন্নরবা মতুংদা হান্নগী কম্মিটি দিজোল্ব তৌখি অমদি অনৌবা রিলিফ কেম্প কম্মিটি অমা শেমখি। মদু এপ্রুভ তৌবীনবা ২০২৪গী মার্চ ২দা এস দি ও ৱাঙ্গোইদা সবমিট তৌখি। এস দি সী ময়াং ইম্ফাল অমদি এস দি ও ৱাঙ্গোইনা অনৌবা কম্মিটিবু খঙবীদুনা পোৎ-চৈ খরা খূৎশিন্নরকখি। অদুবু য়েৎলকপদগী এস দি সী ময়াং ইম্ফালনা দি সীগা ফম্মিন্নরগা লোইশিনসি হায়রকখ্রবসু ঙসি ফাওবা ফম্মিন্নদ্রি। অথুবা মতমদা ওথোরিটিনা অনৌবা কম্মিটি অসিবু এপ্রুভ তৌবীয়ু। নৎত্রবদি হায়র ওথোরিটিদা ৱাকৎলগনি। লোয়নবা হুরানবা কম্মিটিসিবু য়োকখত্তুনা লৈরবদি খোঙজং কয়া মখা তানা চঙশিল্লগনি হায়রি।

মীয়াম হৌদুনা থৌদাং লৌমিন্নরসি : সী পি আই

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস) :

ঙসি বিষ্ণুপুরদা লৈবা সী পি আই দিষ্ট্রিক্ট ওফিস ওপন ভবনদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এসেম্বলী কন্সটিটুয়েন্সি তরুক্কী পার্টিলুচিংবশিংগী ওইবা সেভ মণিপুর সেভ হ্যুমেনিটি হায়বা থীমদা নোংমগী ওইবা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল সী পি আইগী ওফিস সেক্রেটরি টি ঐচ রোবিন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অদুদা কমরেদ কে ঐচ কুল্লচন্দ্রনা ময়াই তাংবল, পার্টিগী ষ্টেট সেক্রেটরি কমরেদ এল থোইরেন, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরিশিং কমরেদ এম জয়কুমার লুৱাং, কমরেদ এন সিংহজিৎ, ওল মণিপুর নুপী মরুপকী প্রসিদেন্ট কমরেদ এম শখিনা পুন্না দেজদা ফমখি।

মীফমদুদা মরু ওইবা ৱাফম থম্লদুনা কমরেদ এল থোইরেননা হায়খিবদা, সী পি আইনা সেভ মণিপুর সেভ হ্যুমেনিটি হায়না লাউদুনা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট খূদিং শীনবা থুংনা চত্তুনা থৌরম কয়া চথজরবসু মসি সী পি আই খত্তনা সোল্ব তৌগদবা নত্তে, মসিদি মণিপুরগী মীয়াম হৌদুনা থৌদাং লৌমিন্নগদবনি হায়খি। সী পি আইনা মণিপুরগী ঙমখৈ কল্লকপগী পুৱারী লৈজে। মখা তানা কনমিন্ননবা মীয়াম হুপ্পা থৌদাং লৌমিন্নরসি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কমরেদ এন সিংহজিৎ, জয়কুমার, শখি অমদি সী ঐচ শরতনচিংবনসু পার্টি ওর্গনাইজেসন্না লৈবাক্কী লৈরিবা প্রোব্লেম কয়া অমদি মসিগী সোল্যুসন পুরক্লবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি অমসুং কন্সটিটুয়েন্সি তরুক্তগী লাকপা দেলিগেটশিংনসু খন্ন-নৈনবা অদুদা শরুক য়াখি। মীফমদুদা লৌখিবা ৱারেপশিংগী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট অসি টুরিজমগী হব অমা ওইরবসু মীয়ামদি লৌউ-শিংউবা অমদি ঙা ফাবনা শিনফম ওইবনা মশীং হেনবনিনা লৌউ-শিংউগী থবক চহী চুপ্পা পাঙথোকপা য়ানবগীদমক লোক্তাক লিফ্ট ইরিগেসনগী কেনেলশিং চহী চুপ্পা ঈশিং চেলহনবা হায়বনচিংবা ৱাফমসু য়াওরি হায়রি।

ক্লিনলিনেস কেম্প্যেন হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস) : হ্বির্ল হোপ চেঞ্জ (দব্লিয়ু ও সী) সগোলবন্দ নেপ্রা মেঞ্জোর লৈকায়না থা ৬কী ওইনা অখন্নবা নুমিত্তা পাঙথোক্কদবা ‘শেংহল্লসি মহৌশা’ হায়না মিংথোনবা ক্লিনলিনেস কেম্প্যেন অমা ঙসি থাংমৈবন্দ চৈরাও চীংদা হৌদোকখ্রে হায়না দব্লিয়ু ও সীগী সেক্রেটরি সাপম য়ুবরাজনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। কেম্প্যেনসিগী মনুং চন্না ওর্গনাইজেসনসিগী মেম্বরশিং অমদি কেম্প্যেনসিবু পুক্নিং থৌগৎপীরিবা মীওইশিংনা শরুক য়াদুনা চৈরাও চীংদা লৈরম্বা অমোৎ-অকায়শিং শেংবগী থবক পাঙথোকখি। কেম্প্যেনসিগী পান্দমদি মহৌশা অমদি ঐখোয়গী অকোয়ববু লূ-নান্না থম্নবা ময়াম পুন্না হোৎনমিন্নবা হায়বসিনি হায়রি।

থৱায় লৌগে হায়না হোৎনরম্বা থৌওংনি : রোনিবালা

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী নুমীদাং পুং ৭.৪৫ রোম তাবদা খাগেমপল্লি হুইদ্রোম লৈকায়দা লৈবা লাইশ্রম ওংবী মেমচাগী য়ূমদা মশক খঙদবা মীওই খরনা নোংমৈ রাউন্দ ৯ কাপশিল্লন্বা অমদি হেন্দ গ্রেনেদ অনী লংশিল্লন্বগী থৌওংসি ইমুংগী মীওই হাৎনবা হোৎনরম্বা থৌওংনি হায়না ঙসি খাগেমপল্লি হুইদ্রোম লৈকায় য়ুথ এন্দ সোসল ক্লবতা ফমখিবা ৱাকৎ মীফম অমদা খাগেমপল্লি হুইদ্রোম লৈকায় য়ুমজাও লাইরেম্বী মৈরা ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী সেক্রেটরি নিংথৌজম রোনিবালানা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মরাল লৈজ দবা তুরেল মপালদা ৱা য়োন্দুনা হিংজরিবা লাইশ্রম ওংবী মেমচাগী য়ূমদা থোঙনাওগী মিংশেল ফাওবমখৈ নোংমৈ কাপশিল্লন্বা অমদি বোম লংশিল্লন্বসিদা অশোক-অপন, অশি-অনা য়াওরল্লবদি ইমুং-মনুংতনা মাঙজ গদৌরিবনি। লমদমসিগী ঈরাংগী ফীভম অসুক ফৎত্রবা মতমসিদা অহল ওইরবা মেমচাগী ইমুংদা অসুম্না অকি-অখঙ থোকহনবা য়ানিংদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ককচিংদা লাইরিক অনী ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস) : ককচিং মখা লৈকায়দা লৈবা নোংমাইথেম মনিকচান্দনা ইবা ‘কোন্থ্রেন মান্দপ’ অমসুং ‘হঙ্গৎনা য়েংলুবদা’ হায়না মিংথোনবা লাইরিক অনী ঙসি ককচিং মখা লৈকায়দা লৈবা নর্সিং থাকুর মন্দিরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ফোঙখ্রে। লাইরিক ফোঙবগী থৌরমদুদা থবক্তগী পোথারবা জোনেল এদ্যুকেসন ওফিসর নিমাই পুখ্রম্বম অমসুং থবক্তগী পোথারবা হেদ মাষ্টর ময়াংলম্বম ঝুলোন অনীনা ময়াই তাংবলশিং লৌদুনা শরুক য়াখি। ঙসি ফোঙখিবা *কোন্থ্রেন মান্দপ*কী মতাংদা পুখ্রম্বম রাজেন সেক্রেটরি হিষ্ট্রি সোসাইটি ককচিং অমদি *হঙ্গৎনা য়েংলুবদা* লাইরিকসিগী মতাংদনা ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনীনা মশক তাকখি।

থৌবালদা নোংলৈ-নুংশিৎনা চাউনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা ঙসি তাখিবা নোং অমদি লেন য়াওবা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎনা মরম ওইরগা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখ্রে হায়রি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খোংজোম সঙ্গাইখোংদগী থৌদাম নেত্রজিৎ (৪০) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ খোমদোনগী য়ূম নোংলৈ-নুংশিৎনা ফুক্লগা পুখ্রে। নেত্রজিৎনা ফোঙদোরকপদা, ঙসি অয়ুক পুং ৯ লোম তাবদগী নোংলৈ-নুংশিৎ কন্না শিৎলকপদা য়ূম অদু ফুক্লগা সড়ত্তা তাখি। লাইবক ফবদগী মীদি অশোক-অপন য়াওহৌদ্রে। অদুবু ইমুং অদুগীনি হায়না লৈবা পোৎ-চৈ, ফিরোল, থক্ল-চানবা পোৎলমশিং পুম্নমক অমাঙ-অতা থোকখ্রে।

অমরোমদা, খোংজোম কৈথেলদগী সাইরোম রাকেশ এলিয়জ রাজা (৪৮) কৌবা মীওই অমগী পাকা বিল্ডিং অমগী মথক কুপ্পা জিঙ্ঘ অমদি কাঞ্চি পাইথোরক্তুনা অতোপ্পা য়ূম ২বুসু অমাঙ-অতা থোকহনখি। য়ূম অনীদুদি সাইরোম নৱাং অমদি সাইরোম ননাওগীনি হায়রি।

মপোক কুমওন পাঙথোকপগা লোয়নননা মনা য়েন্থোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস) :

নোংচুপ হারম খোর্জেকোল লূপ (নোহাখোল)গী জেনরেল সেক্রেটরি সাদোকপম বিরজিৎ মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা লাক্লিবা এপ্রিল ২১, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ১২.১২ তাবদা নোহাখোলগী ৩৪শুবা মপোক কুমওন থৌরম য়ুরেম্বম অৱাং লৈকায়দা লৈবা ডা. এল শশিকুমারগী শঙ্গাইদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

থৌরম অদুদা লাইশ্রম লৈহাওবী নীংশিং খোরিরোল মনা কুমজা ২০২৪গী ওইনা ময়াংলম্বম সুমতিদা মহাক্না ইবা ৱারীমচাগী লাইরিক ‘পূন্সিগা লৈচিলগা’ হায়না মিংথোনবা লাইরিক অদুগীদমক পীরগনি। মনা অদুদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫০, সাইটেসন অমদি সোল অমা য়াওরি হায়রি।

থৌরমদুদা নোহাখোলগী চহী-চহীগী ওইনা পুথোকপা চেফোঙ ‘ঈচেল’ ফোঙগনি। লোয়ননা ডা. এল শশিকুমারনা ইবা লাইরিক মরি ‘তমগী ওজা’, ‘তমগী ইবুংনুংশিবা’, ‘সগগী গুলাপ’ অমসুং ‘নুংহিক্লা মপাও’, সাদোকপম বিরজিৎ মঙাংনা ইবা লমকোয় ৱারী ‘নীংশিহল্লি খোঙচৎতো দেল্লি’ অমদি কেশো লুৱাংগী শৈরেং লাইরিক ‘কুমুদিনী মহারানি’ হায়রিবশিং অসিসু ফোঙগনি। থৌরমদুদা ডা. সাপম রঞ্জন মিনিষ্টর ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রনা অথোইবা মীথুং অমদি নোহাখোলগী প্রসিদেন্ট গৌরো থোঙামচানা অখন্নবা মীথুং অমদি ডা. এ শান্তিবালানা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।

রেদ আর্মিগী ৪৪শুবা অপরাইজিং দেগা মরী লৈননা প্রিপাককী ইন্টরিম...

ঙরাংগী মখা... লৈকংলাদা চাবা-থকপা ফংহন্দনা, ঙৌদুনা থম্লবা ফাদোক ময়ামগী খয়াৎতা, ঈশিং মরিক অমা হৈথবদা, ফাদোক মশেল অমনা অমগী মকোক্তা কাদুনা, নেত্তুনা ঈশিং য়াউম অমগী নেৎখায়নদুনা মীওইবগী ফজবা হায়বদু কাউথোকহনবগুম কংলৈপাক্কী কোলোনিএল সোসল দাইনামিক্সতা গান্ধী চৎপীগী চবুন (ঈশিং য়াউম) অমত্তংগী তমথীবা মওংদা, মীওইবগী শক্তমবু মথং-মথং ওন্থোরকই। চামঙা চৎপী তান্নবদা হিদান্নবদুনা, লোইলমগী মীখল ময়াম থোরকই। লোইলম মরা চেৎশিলহন্নবা মীখল অসিবু ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা দেমোক্রেটিক এক্সর্সাইজনি হায়জরবসু, মদুনা কংলৈপাক নীংতমগদ্রা নৎত্রগা নীংতম্লোইদ্রা হায়বগী রিফরেন্দম নৎত্রগা নেসনল ক্রেসনগী প্লেবিসাইটতি খক ওইদে। মদুগী ভেল্যু অদুনা ইন্দিয়াগী লোইলমগী খূৎলায়বু মপাঙ্গল হাপ্পী।

মীচম কয়া চিন-কুকি নার্কো টেররিষ্ট খূৎলায় পায়বশিংনা লান্দারকপদগী লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরবশিং লৈঙাক্লা নীংথিনা য়েংবীদবদগী ঈকায় ইকি হুন্দোক্তুনা লম্বীদা থোরক্তুনা চাক্লিবা অমগী পূন্সি মরেলদা হিংহল্লি। নাকল অনীগী মুক্লবা অসিদা মীওই ৭০,০০০ রোম ময়ুম লৈতবা ওইনা লাঞ্জেন্নহল্লে, মীওই ২১৩ রোমগী পূন্সি মাঙখ্রে, নৌরিবা মহৈরোয় য়াওনা পুন্না মীওই ৩০ রোম থিবা খঙদনা লৈরি। য়ূম লিশিং ৩গী মথক্তা মৈ চাকখ্রে, লৌ পরি লিশিং ১০ হেনবগী ফৌ অমসুং মহে-মরোং মাঙহন্দুনা লুপা ক্রোর কয়া ওইগদবা মীচম-মীয়ামগী মরল-মথুম মাঙহন-তাকহল্লে। মসিগী মথক্তা, মহৈরোয় ২৫,০০০ রোম হেনবগী ফীভম শোকহল্লে, নৌরিবা অঙাং অমসুং অহল য়াওনা মীচম কয়া পুক্নিং-ৱাখলগী অনাবা পোকহল্লে। হেন্না মীপাইনিংঙাই ওইরিবদি শেমজিনবা য়াবা অমসুং অমাঙ-অতা পুম্নমক শেমজিন-শাজিনবা ঙম্লবসু হান্না লৈনরম্বা কাঙলুপ অনীগী মরক্তা লৈফম থোকপা নুংশিনবা অমসুং থাজনবগী মরী অদু করম্না অমুক হঞ্জিলহনবা য়াগদগে হায়বসিনি।

ৱেসিয়া লমদমগী নীংতম লালহৌলূপ অয়াম্বা ইন্দিয়ানা সিজ ফায়র নৎত্রগা পিছ টোককী টেবলদা পুরকখ্রবা মতুংদা মখোয়গী থৌরাং অসিবু য়াদ্রিবসি কংলৈপাক্কী নীংতম য়াওল্লুপশিং অসিদা ঙাইহৌরে। অদুনা ৱারী শাসি য়াদবা লমদমসিগী নীংতম য়াওল্লুপশিং অসিবু অরৈবা পান্থে শীজিন্নদুনা লোইশিনবা হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমনি। পান্দম অসিগী মখাদনি মখোয়না ম্যান্মারদগী হৌরকপশিং য়াওনা লৈঙাক্কী মায়োক্তা নোংমৈ মরূ অমফাওবা কাপখিদবা চিন কুকি জোগী লূপ ২৫গা কুমশিং ২০০৫দা অসাম রাইফলসকা, অদুগা ২০০৮ দনা ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং কংলৈ লৈপাক্লা ত্রাইপার্টাইট সু (সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন) খূৎয়েক পীনদুনা কুকিশিং অসিবু শীজিন্নরগা কংলৈপাক্কী নীংতম লালহৌলূপশিংগী মায়োক্তা ইন্দিয়ানা প্রোক্সি ৱার অমা হৌরক্লিবসি। প্রোক্সি ৱার অসিদা ইন্দিয়ানা কুকি খূৎলায় পায়বশিংদা থা-থাগী ষ্টাইপেন্দ, খূৎশু-খূৎলায় অমদি অতৈ মখল কয়াগী মতেং পীদুনা নীংতম য়াওল্লুপশিংগী ঈ-পাউ লৌহল্লি, করিগুম্বদনা খূৎ থাহল্লি।

কংলৈপাক্তা মমাং চহীগী মে ৩দগী চিন কুকি জোনা চথরক্লিবা তম্পাক লমগী ইচিল-ইনাওশিংদা অতম্লনা কাইহৌবগী থবকশিং অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লোইশিনগে খল্লবদি মীকুপ অমদা হেক্তা লেপহনবা য়াবা থবক্লি। লান অসি অখন্নবা থৌরাং অমগা লোয়নননা অতম্লনা লিশাং শিংনা চথবনি। অহানবদা ইন্দিয়ানা লমদমসিগী নীংতম লালহৌলূপশিংবু থেংনরম্বদগী ম্যান্মারগী কলাদান প্রোজেক্ট মায় পাক্লবা **মথং মথং...**

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

চহীগী দশা য়েংজরি / [illegible]

মপোক্কী কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক্ট ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। চহিগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহে-মশিং, পক্লবা সবজেক্ট, অৱাংবা পরিক্ষা, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, পক্লবা শিনফম, সরকারগী থবক, লল্লোন-ইতিক, শেল-থুম, য়ুম-ইংখোলগী অফ-ফত্ত, লুহোংফাল, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, ইমুং মহী লাংবা, হায়ন-তানবা য়াদবা, পক্লবা গাড়ী, লক্কি ষ্টোন, হকচাংগী নুংঙাইতবা মরমশিং য়েংজরি। হেন্না ফগৎনবা তান্নবীয়ু। ওনলাইনদসু য়েংবীবা য়াগনি। ৱাটচএপ নম্বর ৯০৭৭১৮৮৪৫৬।

Contact : **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/8620/11 to 15 April

[illegible]/অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরুমুক চাউবা অনী পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা নাবা, খোঙ হান্বা লোইরগসু য়াম্না চিকপা নাবা, খোঙ হান্বা চাং নাইদবা, খোঙ হান্বদা মতম কুইনা চঙবা, খোঙ হান্বদা অমুক্তা শেংনা হামদোকপা য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরুমুক চাউবা অনী পোম্লগা লৈবা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা নাবা, অমাংথোঙদা চিকপা নাবা অদুনা অমাংথোঙদা মচুম তাবগুম্না অমাংথোঙদা চোৎ-চোৎ লাউরগা লৈবা, মতম খরা লৈরগা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তাঙমুক শাংনা ইন্থরকপা, পোমথোরকপা অদু খূৎনা ইনশিনবসু য়াদবা, খোঙ হান্বসু য়াম্না নাবা, পোমথোরকপা অদুনা খোঙ হান্বা লোইরগসু য়াম্না চিকপা, খোঙ হান্বদা মতম কুইনা চঙবা, খোঙ হান্বদা চাং নাইদবা, অমুক্তা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হান্বা, অমাংবদা ঈ তৈরকপা, খোঙ হান্বা লোইরগা চান্বদা য়াম্না থুপ্পা, পূকচেপ নাবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূক কংখৎলকপা, ডোক্তরদা চৎলগা য়েংহনবা মতমদা ওপরেসন তৌদবা য়ারোই হায়দুনা তৌবদগী মতম খরা ফরম্লগা ওপরেসন তৌফম মনাক্তা মঙ্গল মরুমুক চাউবা অনী পোমথোরকপা, খোঙ হান্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা অমদি খোঙ হান্বসু য়ারক্তবা, হান্না ওপরেসন তৌদ্রিঙৈদা নারকপগুম্না নারকপা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুব্বদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/8619/1 *থাগৎচরিবা:* **Ch. Ingocha Singh,** Khongman

[illegible]/অৱাবা ফোঙদোকচবা



Thoubal Ningthou Ibudhou-Ibenthou Haraoba Committee Thoubal Okram গী Founder Secretary ওইবীরম্বা **শ্রীঁ ওক্রম ইরাবোৎ সিংহনা** মনুং মতম চাদনা হৌখিবা ইরাই নুমিৎ, তাং ২৯/০৩/২০২৪ ইংদা তাইবং মপুগী খূয়াদা চঙজখ্রে। মরম অদুনা Lai Haraoba Committee গী ওইবা মীফম অমা তাং ৩০/০৩/২০২৪ ইং, থাংজ নুমিৎতা Laibung দা ফমদুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী খূয়াখাদা ঈংনা তপ্পা অমদি নুংঙাইনা লৈরুনবগীদমক্তা মিনিৎ ২ (অনী) তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

Sd/- **Lai Committee**
Thoubal Okram, Thoubal

HL-P/10311/1

[illegible]/অমাংথোঙ মপান্দা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, তিনকুপ থোক্লকপা, তিনকুপ ফাদোকপা, হাক্কৎচবা অদু খাঙবা ঙমদবা, খোৎপদা অমাংথোঙগী মপান চাউথোকপা অদুগা অমুক হঙ্গৎখিবা অদু ফহনবগীদমক ওজা Azad পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ মপান্দা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, তিনকুপ থোক্লকপা, তিনকুপ ফাদোকপা, হাক্কৎচবা অদু খাঙবা ঙমদবা, খোৎপদা অমাংথোঙগী মপান চাউথোরকপা অদুগা অমুক হঙ্গৎখিবা, খোঙ হান্বদা মতম কুইনা চঙবা, অমুক্তদা শেংনা খোঙ হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হান্বা, মতুংদা খোঙ হান্বা য়ারক্তবা, খোঙ হান্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ য়াওরকপা, শা-ঙা, থাউ-মোরোক চাবা য়াদবা, চারগনা ঈ তাবা হেনবা, অচম্বা চারিমখৈ খরা ফবা, অমাংথোঙ ময়াদা চনম মরুমুক চাউবা অমা পোমথোরকপা, অমাংথোঙদা চিকপা নাবা তৌরকপা, খোঙ হান্বা লোইরবা মতুংদা অমাংথোঙদা চিকপা নাবা হেনবা, খোঙ হান্বা খূদিংগী অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তাঙমুক শাংনা ইন্থরকপা, খোঙ হান্বা লোইরগা শৌজ অদু মশানা অমুক হঙ্গৎখিবা, থবক কুইনা শুবা ঙমদবা, ঙকশম মরি নাবা, লেংজুম নাবা, খ্বাং নাবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা **MV Azad Phusam Phone No. 7628890261/9089738275** দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

লায়েংফম :1. Hatta Opp. Oil Pump Near Public Hospital, Imphal.
2. Mayang Imphal, Konchak Bazar. (6 am to 10 am.)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Only Sat. & Wed. Open)
4. Yairipok Bazar Near Traffic Point (Only Sunday Open)

HL-P/10128/1 *থাগৎচরিবা :* **H. Momocha Meitei,** Thoubal

CAS Coaching Centre
CAS Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal
Admission Open
FOUNDATION COURSES
CLASS XII
(Phy, Che, Maths, Bio, Home Sc. & Eng)
CLASS XI
(Phy, Che, Maths, Bio, Home Sc. & Eng)
CLASS X
(English, Maths, Science, Social Sc. & Home Sc)
Hurry!!! Seats are limited First Come First Served
Special features:
- Concession for 1st come 10 students
- Special Concession for Meritorious, Ethnic Victim Students.
- Experienced and Expert Faculties.
- Supply Chapterwise Study Materials.
- Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
- Weekly and Monthly Test Series.
- 30 Students for each Batch.
- Vision for Toppers in 2025

Hostel for BOYS & GIRLS Available
Classes commencing from
18th March, 2024(1st Batches) & 4th April, 2024(2nd Batches)
Morning:(4.00/4.30– 7.00/7.30) A.M. # Evening:(4.00–7.00)P.M
For Details:- CAS Office, 2nd floor Keishampat Junction Imphal (Mayai Lambi Machin) # 6033817130
HL-B/8605/7 to 31 March

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College,Imphal
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE *for*
CLASS -XII Sc. (COHSEM)
Class commencing on 5th April, 2024 (4:20 pm to 7:40pm)
18TH POSITION Yumnam Hemlan MECI Explorer Academy
20TH POSITION Bhumika Rajkumari COMET School
86% Ranjan Chungkham MECI Explorer Academy
86% Bonita Laishram COMET School
Form available at :
1. ‘SANGAI HOSTEL’ Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College, (3:00pm - 7:30pm)
9233836426
7085521821
HL-B/8646/18